# অনীশুবা ষ্টেট লেভেল মুক্না চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ঃ

ইন্দিজিনস মুক্না এসোসিয়েসন (আইএমএ) ককচিংনা শীন্দুনা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল মুক্না চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ ঙসিদগী ককচিং খুল্লেন ইবুধৌ খমলাংবা লাইকোলদা হৌদোকখ্রে।

ওল মণিপুর মুক্না এসোসিয়েসন (এএমএমএ) গী লমজিং মখাদা পাঙথোক্লিবা মুক্না চেম্পিয়ন্সিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা দিপ্যুটি কম্মিস্নর ককচিং নৈলেনথাং টেলিয়ান (আইএএস) না চিফ গেষ্ট, আইএমএ ককচিং গী চিফ এদভাইজর এন মানিবাবু সিংহ না প্রসিদেন্ট, এএমএমএ গী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট অরুন থাংজম অমসুং মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এএমএম গী জেনরেল সেক্রেটরী এম চৌরজিৎ সিংহ না গেষ্ট ওফ ওন্নরশিং ওইখি।

কেতেগোরি অহুম থোক্না খায়দোক্লগা পাঙথোক্লিবা মুক্না চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা মুক্নারোইশিং অদুদি কেজি ৬০ অমসুং মসিগী মখাগীদা কেঐচ বুংঙোবী হৈরোক, কেঐচ থোই– খংঙবোক, জোন্সন মোইরাংথেম–খংঙবোক, টিঐচ দিনকু হৈরোক, এন রোমেস–হৈরোক, টি হোমিবালা মালোম, এ রাকেস মালোমনি।

কেজি ৬০ মথক্তগী ৭০ ফাওবগীদা এম সগর ককচিং, এল থোমাস ককচিং, সি ঐচ চিংখু ক্যামগৈ, টিঐচ মিলন হৈরোক, এল সনা হৈরোক, কেঐচ চিংশাং হৈরোক, নাওবা নাওরেম ককচিং, এস মনিচান্দ্র ককচিং নি।

কেজি ৭০গী মথক্তগী ৮৫ ফাওবগীদা এস বিরেনকুমার–ককচিং, ই ওলেন্দ্রো হৈরোক, সনাথোই মোইরাংথেম খাংঙবোক, এস বোয়াই কোমনাও, এন বোর হৈরোক,এন অমর মালোম, এম বিনোদকুমার ককচিং অমসুং এন লেম্বা নুংঙুনি।

মুক্না চেম্পিয়ন্সিপ অসি হয়েং লোইশিল্লগনি। কেতেগোরি অহুমক্কী অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা অমদি মরিশুবা তাবশিংদা মথংশিৎনা লুপা ১৫০০০,১০০০০,৬০০০ অমদি ৪০০০ গী শেলগী মনা পীরগনি। শরুক য়াখিবা মুক্নারোই খুদিংমক্তসু লুপা ২০০।২০০ পীখি হায়রি।

# নুপীগী হোক্কিদা ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু ৫–০দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



জকর্টা, ওগষ্ট ২৭ঃ

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমনা ঙসি শান্নখিবা পুল–বিগী মেটচ অমদা থাইলেন্দবু ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রানি রামপালনা হেটট্রিক চনবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম অসি চথরিবা এসিয়ান গেমস অসিগী হোক্কি অসিদা মেটচ অমত্তা মায়থিবা নঙদনা লাক্কি।

ইন্দিয়া অমসুং থাইলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা অকনবা লম্বা মায়োক্নখি। অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনিগী মাইকৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফকী মিনট ১৫গী মনুংদা পেনাল্টি কোন্নর মরি ফঙখিবা অদু পাঞ্জল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখিবনি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা ৩৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রানি রামপালনা মহাক্কী হেটট্রিক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। ৪৬শুবা মিনটতা রানিনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনদুনা থাইলেন্দবু ২–০ দা মাংজিল থাখি।

শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক্ট অমদা মোনিকানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা থাইলেন্দবু ৩–০দা হেনদুনা লৈখি।

থাইলেন্দগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ ৫৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা তৌশিল্লকখিবা এটেক্ট অমদা নভজোত কোরনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা থাইলেন্দবু খুৎ হানবা ঙম্লোইদবা মওংদা ৪–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

মিনট ১ লৈরগা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রানি রামপালনা মহাক্কী হেটট্রিক্কী পাঞ্জল অদু চন্দুনা ৫–০দা মাংজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা টিম অনীগী মাইকৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা থাইলেন্দবু ৫–০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

# রিয়েল মাদ্রিদনা জিরোনা লা লিগাগী মেটচ অমদা ৪–১ দা থোইখ্রে, ইটালিগী সেরি–এদা ফিও রেন্টিনানা চিয়েবো ভেরোনাবু ৬–১ দা মায়থিবা পীখ্রে



মাদ্রিদ। রোম, ওগষ্ট ২৭ঃ

স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লিগাদা রিয়েল মাদ্রিদনা জিরোনাবু ৪–১ দা থোইখ্রে। অমরোমদা ইটালিগী সেরি–এদা ফিওরেন্টিনানা চিয়েভো ভেরোনাবু ৬–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং জিওনানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু জিয়োনাগী শান্নরোই বি গারসিয়ানা ১৭শুবা মিনটতা চন্দুনা রিয়েল মাদ্রিদপু ১–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংগী এটেক্ট অমদা পেনাল্টি অমা ফঙখিবা অদু টিম অদুগী শান্নরোই সরজিও রামোসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংগী এটেক্ট অমদা পেনাল্টি অমসু ফঙখি। পাঞ্জল শোইদনা ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু করিম বেঞ্জেমানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২–১ দা মাংজিল থাখি।

শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী মখা তানা চথখিবা এটেক্ট অমদা ৱেলস মচা জেরেথ বেলনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা রিয়েল মাদ্রিদনা জিওনাবু ৩–১ দা মাংজিল থাখি।

শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী মাংজিল থারবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক্ট অমদা করিম বেঞ্জেমানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৪–১ দা মায় পাকখি।

লা লিগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা সিবিলা অমসুং ভিলারিয়েল পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি।

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি–এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ফিওরেন্টিনানা চিয়েভো ভেরোনাবু য়াম্না হেনবা ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ হেক হৌবদগী ফিওরেন্টিনানা মায়োক্নবা টিম অদুবু খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙখি। ৮শুবা মিনটতা ফিওরেন্টিনাগী শান্নরোই নিকোলা মিলেনকোবিসনা মেটচগী অহানবা পাঞ্জল চনদুনা মাংজিল থাখি। মতম খরা টিম অনীগী মাইকৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং ৪২শুবা মিনটতা ফিওরেন্টিনাগী শান্নরোইশিংগী এটেক্ট অমদা গরসননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ফিওরেন্টিনানা চিয়েভো ভেরোনাবু ২–০ দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ হেক হৌরকপা ৪৯শুবা মিনটতা ফিওরেন্টিনাগী শান্নরোই মারকো বেনাসিনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং টিম মেট ফেদরিকো চিয়েসানা ৭১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা চিয়েভো ভেরোনাবু ৪–০ দা মাংজিল থাখি। শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা চিয়েভো ভেরোনাগী শান্নরোই নেনাথ তোমোবিসনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি।

শান্নবগী ইঞ্জুরি টাইমদা ফিওরেন্টিনাগী শান্নরোই মারকো বেনাসি অমসুং জিওভানি সাইমোননা পাঞ্জল অনী চনশিল্লগা মেটচ অদু ফিওরেন্টিনানা চিয়েভো ভেরোনাবু ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

সেরি–এগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা কাগ্লিয়ারি অমসুং সাসুলো পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখি। কাগ্লিয়ারিগী পাঞ্জল অনীমক শান্নবগী ১০ অমসুং ৭৩শুবা মিনটতা লিওনাদো পাবোলেটিনা চনবা ঙমখি। অমরোমদা সাসুলোগী পাঞ্জল অনী অদুনা শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা দেমেনিকো ভেরার্দিনা চনখি। অদুগা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ইঞ্জুরি টাইমদা ফঙখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অদুগী শান্নরোই কেবিন প্রিন্স বোতেংনা চনবা ঙমখি।

ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লিগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মার্সিয়েল অমসুং রেনিস পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চৎখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা রেনিসকী শান্নরোইশিংনা ফঙখিবা পেনাল্টি অমদা বি বোরিজিয়োদনা চনদুনা মাংজিল থাখি। অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা রেনিসকী শান্নরোইশিংনা চথখিবা এটেক্ট অমদা আই সারনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাংজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা ৫৪শুবা মিনটতা মার্সেলগী শান্নরোইশিংগী এটেক্ট অমদা এল ওকাম্পোসনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–২ দা শোত্থদুনা লৈখি। শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা রেনিসকী শান্নরোই আর বেন্সেবাইনিনা শোইবদগী চনশিঞ্জখিবা পাঞ্জলনা মার্সেল অমসুং রেনিসনা শান্নখিবা মেটচ অদু পাঞ্জল ২–২ দা মান্নরগা লোইশিনখি।

# থাঙ–তা ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে





ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ঃ

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট থাং–তা এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫দগী চথরকখিবা থাং–তা ফেষ্টিভেল থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা ককচিং খুনৌ কম্মুনিটি হোলদা লোইশিনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থাং–তা ফেষ্টিভেল লোইশিনবগী থৌরম অদুদা হুইদ্রোম প্রেমকুমার সিংহ (প্রসিদেন্ট হুয়েল লাংলোন থাং–তা এসোসিয়েসন), য়ুম্নাম অমুমচা সিংহ (সিনতাকপুরেলখা মণিপুর থাং–তা একাদেমী ৱবাগাই), টি ঐচ প্রিয়োকুমার সিংহ (প্রসিদেন্ট ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাং–তা এসোসিয়েসন) অমদি হৈক্রুজম চা বাবু সেক্রেটরী (জেনরেল হুয়েল ললাংলোন থাং–তা এসোসিয়েসন, মণিপুর)না অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# এসিয়ান গেমসতা সাউথ কোরিয়াগী হৱাং হি চাননা এক্স্রা টাইমদা চনখিবা পাঞ্জলনা উজবেকিষ্টানবু ৪–৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা ভিয়েটনামগা শান্নরগনি



*সাউথ কোরিয়া অমসুং উজবেকিষ্টাননা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা*

বেকাসি(ইন্দোনেসিয়া), ওগষ্ট ২৭ঃ

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্ব ওইরগা লৈবাক অসিগী সিটি অনীদা চথরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসকী ঙসি শান্নখিবা ফুটবোল মশান্নগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়াগী হৱাং হি চাননা এক্স্রা টাইমদা চনখিবা পাঞ্জলনা উজবেকিষ্টানবু ৪–৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা ভিয়েটনামগা শান্নরগনি।

সাউথ কোরিয়া অমসুং উজবেকিষ্টাননা শান্নখিবা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই হৱাং জেনা চনদুনা মাংজিল থাখি। ১৭শুবা মিনটতা উজবেকিষ্টানগী মশান্নরিপোভনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি। ৩৪শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী অহানবা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ২–১ দা মাংজিল থারগা চৎখি। অনীশুবা হাল্ফকী ৫৩ অমসুং ৫৫শুবা মিনটতা উজবেকিষ্টানগী শান্নরোই আলিবেভনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি।

সাউথ কোরিয়াগী মাইকৈদগী ৭৫শুবা মিনটতা মমাংদা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা হৱাং জোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–৩ দা মান্নখি।

এক্স্রা টাইম শান্নরকপা মেটচকী ১১৮শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই হৱাং হি চাননা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অমা চনদুনা মেটচ অদু ৪–৩ দা থোইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সাউথ কোরিয়াগা সেমি ফাইনেলদা থেংনগৌরিবা ভিয়েটনামনা সিরিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি। ভিয়েটনামগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু এক্স্রা টাইমগী ১০৮শুবা মিনটতা ভানতোননা চনবা ঙমখি।

এসিয়ান গেমস অসিগী ফুটবোলগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা জপান অমসুং য়ুএই শান্নরগনি।

জপাননা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সাউদি অরাবিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি। জপান অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা লম্বা মান্নখিবদগী মিনট ৩০ চঙশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মাইকৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে। শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা জপানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক্ট অমদা য়ুতো ইৱাসাকিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–০ দা মাংজিল থাখি।

শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা সাউদি অরাবিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক্ট অমদা জপানগী শান্নরোই তাসুতানা শোইবদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা টিম অনীমক ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদু টিম অনীমক লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা জপানগী মাইকৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা য়ুতো ইৱাসাকিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু ২–১ দা মায় পাক্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

জপানগা সেমি ফাইনেলদা থেংনগৌরিবা য়ুএই না নোর্থ কোরিয়াবু পেনাল্টি সুট আউত্তা ৫–৩দা থোইরম্বনি।

য়ুএই অমসুং নোর্থ কোরিয়ানা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা নোর্থ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক্ট অমদা কিম য়ু সোংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাংজিল থাখি। ইকান–কান্নদনা ৬৭শুবা মিনটতা য়ুএই গী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক্ট অমদা আলি অল য়াহিয়েনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং মখা তাবা লেমহৌবা মিনটতা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিবদগী ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

এক্স্রা টাইম শান্নরকপদসু লম্বা মান্নখিবদগী দ্রো চত্তুনা লৈখিবদগী পেনাল্টি সুট আউতা মায় পাকপা টিম খনবা মথৌ তাখি। পেনাল্টি সুট আউত কাওনবদা য়ুএই না নোর্থ কোরিয়াবু ৫–৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

# য়ুক্রেনগী ইলিনা স্বিতোলিনা য়ুএস ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ২৭ঃ

য়ুএসএগী সিটি ন্যু য়োর্কতা ঙসিদগী হৌখিবা য়ুএসএ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ৭শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী ইলিনা স্বিতোরিনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দা য়ুক্রেনগী ইলিনা স্বিতোরিনানা য়ুএসএগী এস বিকরিবু ৬–৩, ১–৬, ৬–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

# ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ শান্নখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ঃ

হেদ ক্বার্টর আইজিএআর (সাউথ)কী মখাদা ১০শুবা সেক্টর অসাম রাইফলস সোমসাই বাট্টালিয়েননা শীন্দুনা টিওবিদা তুসোম টিওবি অমদি তুসোম সিভি ভিলেজ য়ুট ক্লব টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অমদা শান্নখ্রে। ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অসিগী পাঙথোকপগী পান্দমদি লমদম অসিদা লৈবা শান্নরোইশিংবু য়োকখৎপা অমদি হকচাং ফনা থম্নবা অমদি স্পোর্টসপু প্রোমোট তৌনবনি হায়রি।

# মণিপুরনা হিমাচল প্রদেশপু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ঃ গৌৱাদা পাঙথোক্লিবা জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮–১৯ দা মণিপুর হিমচল প্রদেশপু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা মণিপুরগী গোলশিং অদু এল বেবিদোল্লি দেবীনা ২৬শুবা মিনটতা গোল ১, পিঐচ সনাথোকপীনা ৩২শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি টি ঐচ বেবিসানা দেবীনা ৬৭ অমদি ৭১ শুবা মিনটতা গোল ২ চনখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ৩০ দা শান্নরগনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*